# শ্রীলঙ্কাদা কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা জেলগী ঈরাংদা মীওই ৮ শিরে, ৫০ হেন্না শোক্লে



কলম্বো, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : শ্রীলঙ্কাগী জেল অমদা ইনমেটশিং অমসুং গার্দশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্ল রকপদগী য়ামদ্রবদা প্রিজনর নিপান শিখ্রে অমসুং অতে ৫০ হেন্না অশোক অপন নংলে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ঈথৎ লৈবাক অদুগী মী চিন্না লৈবা জেলশিংদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন হেনগৎলকপগী মতাংদা পাঙথোকপা প্রোটেষ্ট অমা ওথোরিটিশিংনা লাকশিন্নবা হোৎনখিবগা লোয়ননা মীশি-মীনা য়াওবা ঈরাং অদু থোকখিবনি।

হৌখিবা থাদা শ্রীলঙ্কাদা কোরোনাভাইরস কেসশিং ৰাংখৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী মী কা হেন্না চিন্না থল্লিবা জেলশিংদসু ইনফেক্সন ৰাংখৎলকখি।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা জেল ইনমেটশিংনা কোরোনাভাইরস টেষ্ট হেনগৎনবা অমসুং ভাইরস পল্লবা প্রিজনরশিংগী অনৌবা আইসোলেসন ফেসিলিটিশিং ফংহন্নবা তকশিল্লদুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি। কেপিটেল কলম্বোগী চীদাইগী শরুক ওইবা মহারাদা লৈবা জেলদা ইনৌ নৌনা ঈরাং থোক্লক্লিবদু নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌখি। কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা প্রিজনর কয়া অতে ফেসিলিটিশিংদগী মহারাদা হোংজিল্লকপগী মায়োক্তা ইনমেট খরনা প্রোটেষ্ট তৌরকপদগী ঈরাং অদু থোক্লকখিবনি।

পুলিস স্পোক্সপর্সন দি আই জি অজিস রোহানানা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবদা শিখিবা পূম্নমক ইনমেট ঙাক্তনি। ঈরাং অদুদা শোক্লবশিংদুগী মনুংদা জেলগী গার্দশিংসু য়াওখি অমসুং অশোকপা খরদি ফীভম লুনা লৈরি।

রোহানগী মতুংইন্না, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা মশীং য়াম্লবা প্রিজনর কাঙবু অমনা মখোয়গী জেলশিং থুগাইদুনা জেলগী ম্যেনগেট তম্না চেন্থোরক্লবা হোৎনরকপদগী জেল মনুংদা অকনবা ঈরাং থোক্লকখি। ওইরক্লিবা ফীভমদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা জেল গার্দশিংনা খুদক্তা নোংমৈ কাপখিবগা লোয়ননা ইনমেট অমা শিখি অমসুং অতে কয়ানা শোকখি। জেল অদুগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মহারা জেল মনুংদা প্রিজনর ১৮০ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইখি লোয়ননা মখোয় অতৈদগী তোঙান্না থমখি। জেল মনুংদা য়ামদ্রবদা প্রিজনর ২,৫০০ লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

পুলিস স্পোক্সপর্সন অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জেলগী প্রেমিসিজ মনুং অমসুং মপান্দা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎখ্রে অমসুং পুলিস স্পেসল টাস্ক ফোর্স দিপ্লোই তৌরে। নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা ইনমেটশিংনা জেলগী প্রেমিসিজ মৈ থাখি। মৈ অদু নিংথৌকাবগী অয়ুক ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা মুথৎখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লোকল মীদিয়া রিপোর্টমতুংইন্না, জেল অদু ইনমেটশিং অমসুং গার্দশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন শন্দারক্লবা শ্রীলঙ্কাগী জেল মঙাগী মনুংদা অমনি। ওফিসল দেটাগী মতুংইন্না হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা জেল মঙাদুগী ইনমেট ১০০০ হেন্না কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইখি।

# ইরানগী সাইন্টিষ্ট হাৎপদা শীজিন্নখিবা খূৎলায় ইজরেলনা শাবনি : ইরানিয়ন টি ভি



দুবাই, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : হৌখিবা চয়োলদা ইরানগী মশক নাইবা ন্যুক্লিয়র সাইন্টিষ্ট মোহসেন ফাখ্রিজাদেহ হাৎপদা শীজিন্নখিবা খূৎলায় অদু ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী য়েক্লবা ইজরেলদা শাখিবনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইরানগী ইংলিস লোনগী প্রেস টি ভিনা ফোঙদোকখ্রে।

সাইন্টিষ্ট ফাখ্রিজাদেহ হাৎখিবা টেররিষ্টকী থবক চৎখিবা মফমদগী লৌখৎলকখিবা খূৎলায়শিংদা ইজরেলি মিলিটরি ইন্দষ্ট্রিগী লো অমসুং স্পেসিফিকেসনশিং য়াওই হায়না মমিং পন্দবা সোর্ছ অমনা প্রেস টি ভিদা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুগী মতাংদা কমেন্ট লৌনবা জেরুসালেমদা লৈবা ইজরেলি ওফিসলশিং কন্টেক্ট তৌবদা খুদক্তা পাউখুম পীরকখিদে।

ইরানগী সেমী-ওফিসল ফার্স ন্যুজ এজেন্সীনা নোংমাইজিং নুমিৎকী রিপোর্ট অমদা হায়খি মদুদি ন্যুক্লিয়র সাইন্টিষ্ট ফাখ্রিজাদেহ রিমোর্ট কন্ট্রোলনা ওপরেট তৌবা মেছিন গন অমা শীজিন্নদুনা হাৎখিবনি। অরাবিক লোনগী অল অলাম টি ভিগী রিপোর্টনা ফাখ্রিজাদেহ হাৎপদা শীজিন্নখিবা খূৎলায়শিং সেটলাইটনা কন্ট্রোল তৌখি হায়না পনখি।

প্রেস টি ভিগী রিপোর্ট অদুগী মমাঙদা ৰা ঙাঙলদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইজরেল ইন্টেলিজেন্স মিনিষ্টর ইলিকোহেন্না রেদিও ষ্টেসন ১০৩ এফ এমদা হায়খি মদুদি কনানা মীহাৎ অদু পাঙথোকখিবনো হায়বা মহাক খঙদে।

ৰিটনেসশিংনা ষ্টেট টি ভিদা হায়খিবদা গ্রাউন্দদা গনমেন কয়া লৈখি হায়রি।

ইরান্দা পব্লিক প্রোফাইল নেম্বা মীশক অমা ওইরবসু ইজরেলনা ফাখ্রিজাদেহবু ইরানগী ন্যুক্লিয়র খূৎলায় প্রোগ্রামগী মরু ওইবা আর্কিটেক্টনি হায়না মমাঙদগী ফোঙদোক্লুনা লাকখি। মহাক ইরাই নুমিৎতা কেপিটেল টেহরানগা নক্লনা হায়ৰে অমদা এম্বুশ তৌদুনা হাৎখিবনি। মহাক্কী কার অদু নোংমৈ মরুনা মশীং খঙদনা পানখি।

মীহাৎ অদুগী লমন খুমগনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টরনা ৰাশকখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইরান্না টেহরানগী অৰাং থংবা শরুক্তা লৈবা সিমিত্রি অমদা ফাখ্রিজদেহগী লৈরোল চনবগী থৌরম পাঙথোকখি।

ইরানগী ক্লারিকশিং অমসুং মিলিটরি রুলরশিংনা ফাখ্রিজাদেহগী মীহাৎ অদুগী মতাংদা ইজরেলবু মরাল শীখিবগা লোয়ননা ট্রম্পকী প্রসিদেন্সি লোইশিল্লকপা মতম অসিদা ইরানগা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অমসুং ইজরেলগা ইনৌ নৌনা মুক্নবগী ফীভম লাকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইরাননা খূৎ হল্লকপা য়াবগী মওং উব্রা হংবদা ইলিকোহেন্না রেদিও ষ্টেসন ১০৩দা হায়খি, ৰেষ্ট এসিয়াদা ইজরেলনা ইন্টলিজেন্সকী লমদা সুপ্রিম ওইরি, হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না শেম শারে, তঙাইফদবা মফমশিংদা চেকশিন থৌরাংশিং কনখৎলে। সুপ্রিম লিদর অয়াতোল্লাহ অলি খামেনৈনা এদিটর-ইন-চীফ হাপখিবা ইরানগী হার্দলাইন কেহান পাউচেনা নোংমাইজিং নুমিৎকী ওপিনিয়ন পিছ অমদা করিগুম্বা ফাখ্রিজাদেহগী মীহাৎতা ইজরেলগী খূৎ য়াওই হায়বসি প্রুভ তৌরবদি ইজরেলি হিথাংফম সিটি হায়ফাদা এটেক তৌনবগী ৰাফম হৌদোকখি।

## প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ভেক্সিন পুথোক্লিবা টিম ৩গা মীফম পাঙথোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোকপা অমসুং শাবগী থবক তৌরিবা টিম অহুমগা ভার্চ্যুএল মীটিংশিং পাঙথোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ভার্চ্যুএল মীটিংশিং পাঙথোকখিবা টিমশিং অদুদি জেনেভা বাইওফার্মাস্যুটিকেলস লিমিটেদ পুনে, বাইওলোজিকেল ঈ লিমিটেদ হায়দ্রবাদ অমসুং ডো. রেদ্দিস লেবোরেটরিজ লিমিটেদ হায়দ্রবাদনি।

কম্পেনিশিং অসিগী সাইন্টিষ্টশিং অদুনা কোভিদ-১৯ থেংননবগী ভেক্সিন অমা পুথোক্লবা হোৎনরিবা কয়া প্রাইম মিনিষ্টরনা মীটিং অদুদা থাগৎখি। ভেক্সিন পুথোকপগী তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংগী মতিক মঙমগী মতাংদসু খন্নখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা কম্পনিশিং অসিদা রেগ্যুলেটরি প্রোসেসশিং অমসুং মরী লৈনবা হীরমশিংগী মতাংদা মখোয়গী সজেসন অমসুং আইদিয়াশিং পুথোক্লবসু তকশিনখি। ভেক্সিন অমসুং মসিগী কান্নবগুম্বা মরী লৈনবা হীরমশিং অচম্বা লোন্দা মীয়ামদা খঙহন্নবা মখোয়না অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎতুনা হোৎনগদবনি হায়নসু মহাক্না ইন্টরেক্সন অদুদা ফোঙদোকখি। মফম কয়াদা ভেক্সিন ফংহনবগা মরী লৈনবা লোজিষ্টিক্স ট্রান্সপোর্ট, কোল্ড চেইন্নচিংবগী মতাংদসু মখোয়না খন্ন নৈনখি।

মীটিং অদুদা খন্নখিবা ভেক্সিন কেন্দিদেট খুদিংমক চাংয়েংগী তোঙান তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা লৈরি অমসুং মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তগী অকূপ্পা দেটা অমসুং রিজল্টশিং ফংলবা য়াই হায়না থাজনরি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা মেন্যুফেকচররশিংগা নিংথিনা ইনগেজ তৌনবগা লোয়ননা ৰাফম খুদিংমক লৈখাই তাথোক্তুনা কম্পনিশিং অসিনা হোৎনরিবশিং মহয় য়ালহন্দুনা লৈবাক অসিনা অমসুং মালেম পূম্বনা পান্নিবশিং ফংহন্নবা আপিল তৌখি।

## ট্রম্পনা চাইনাগী এস এম আই সী অমসুং সী এন ও ও সী দিফেন্স ব্লেকলিষ্টতা হাপচিল্লগনি

ৱাশিংটন, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা দিফেন্স ব্লেকলিষ্টতা চাইনাগী টোপ চিপমেকর এস এম আই সী অমসুং ওফসোর থাও অমসুং গ্যাস পুথোক্লিবা নেসনল কম্পনি সী এন ও ও সী হাপচিল্লগনি হায়বসি দোক্যুমেন্ট অমনা উৎখিবগা লোয়ননা সোর্ছ খরনসু ফোঙদোকখ্রে।

খোঙথাং অসিনা য়ু এসকী ইনভেষ্টরশিংনা কম্পনিশিং অদুদা শেল থাদবদা অথিংবা লৈরক্তুনা প্রসিদেন্ট ইলেক্ট জো বাইদেননা ওফিস পায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা বৈজিংগা উংখৎনবা হেনগৎহল্লগনি।

থা অসিগী অঙনবদা ফোঙখিবা এজেন্সীগী রিপোর্ট অমদা য়ু এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্স (দি ও দি) না অহেনবা চাইনিজ কম্পনি মরি চলাইরিবা মিলিটরিনা কন্ট্রোল তৌই নৎত্রগা মপু ওই হায়না ব্লেকলিষ্ট লাউথোক্লবা থৌরাং তৌবগা লোয়ননা য়ু এসনা ব্লেকলিষ্ট তৌবা চাইনিজ কম্পনি মশীং ৩৫ শুরগনি হায়খি।

হন্দক্তা প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা ইস্যু তৌখিবা এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমনা য়ু এসকী ইনভেষ্টরশিং মথং চহীগী অথেংবদগী ব্লেকলিষ্ট তৌবা ফার্মশিং অদুগী সিক্যুরিটিজ লৈবা য়াহল্লরোই।

অনৌবা ট্রান্স অদু ফেদরেল রেজিষ্টরদা করম্বা মতমদা পব্লিস তৌগদগে হায়বা খুদক্কী ওইবা শেংনা খঙবা ঙমখিদে। দোক্যুমেন্ট অদুগা লোয়ননা সোর্ছ অহুমগী মতুংইন্না, ব্লেকলিষ্ট তৌরিবা কম্পনিশিং অদুদা চাইনা কন্সত্রক্সন টেক্নোলোজি কো লিমিটেদ, চাইনা ইন্টরনেসনল এঞ্জিনিয়ারিং কন্সলটিং কোর্প অমসুং ইনৌ নৌনা সেমিকন্দক্টর মেন্যুফেক্চরিং ইন্টরনেসনল কোর্প (এস এম আই সী) অমসুং চাইনা নেসনল ওফসোর ওইল কোর্প (সী এন ও ও সী) য়াওরি।

এস এম আই সীনা ফোঙদোকখিবদা, কম্পনি অসি ফোংনা অমসুং কান্নগদবা মওংদা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা ইনগেজ তৌনরি। কম্পনি অসি চাইনিজ মিলিটরিগা মরী লৈনদে অমসুং মিলিটরিগী হীরমশিংদা শীজিন্নবা পোৎশক অমত্তা শাদে। খোঙথাং অসিগা ইরোইননা এস এম আই সীগী স্যেরশিং নিংথৌকাবা নুমিৎতা চাদা ২.৭ হন্থনা ক্লোজ তৌখি।

এজেন্সীগী রিপোর্ট মতুংদা স্যের ভেল্যু চাদা ১৪ হাইথখিবা ব্লেকলিষ্ট তৌরগদবা সী এন ও ও সীগী য়ুনিট অদুনা ষ্টোক মার্কেটকী ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, য়ুনিট অসিনা পেরেন্ট কম্পনিগা পাউ ফাওনরে অমসুং কম্পনিনা মরী লৈনবা য়ু এস ওথোরিটিশিংদগী ফোর্মেল নোটিস অমত্তা ফংবা লৈতে হায়বসি খঙলে।

ৱাশিংটননা থৌরাংলিবা খোঙথাং অদুগী মতাংদা হংবদা বৈজিংদা চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি নাকল অনীগী মরক্তা কোওপরেসন পীনবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খুরৌ থাংহল্লোই অমসুং চাইনিজ কম্পনিশিংদা তোঙানবা মীৎয়েংনা য়েংলক্লোই হায়না চাইনানা থাজে হায়খি।

## ইথিওপিয়াগী লান লোইদ্রি হায়না টিগ্রেয়ন ফোর্সেসকী লিদরনা হায়রি

অদিস অবাবা, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : নোর্থন ইথিওপিয়াগী রেবেল ফোর্সশিংগী লিদর দেব্রেটসিওন গেব্রিমিচেলনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি মখোয় হৌজিক রিজনেল কেপিটেল মেকেলেগী মনাক্তা হৌজিকসু লান শোক্লরি।

এয়রষ্ট্রাইক কয়া য়াওনা থা অমরোম লান শোক্লরকখিবা মতুং হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা গভর্ণমেন্ট ত্রুপশিংনা মেকেলে কন্ট্রোল তৌশিনখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা রেবেল ফোর্সশিংগী লিদরনা লান লেপ্পনবগী ৰাফম অসি লাউথোরকখিবনি। ঐহাক লান্দারক্লিবা কাঙবুশিংগা টিগ্রেগী মেকেলেগা নক্লনা লান শোক্লরি হায়না রেবেল লিদর দেব্রেটসিওন গেব্রিমিচেলনা টেক্স মেসেজ অমগী খূত্থাংদা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি। অমরোমদা ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী ৰাফম অদুবু কান্নদবা ক্লেমনি হায়খি।

টিগ্রে রিজনগী লান অদুদা মীওই চা কয়া নৎত্রগা লিশীং কয়া শিখিবগা লোয়ননা রেফ্যুজি কয়া সুদানদা চেন্নখ্রে। য়ূমথংনরিবা ইরিত্রিয়াসু লান অদুদা চেন্নরকখিবগা লোয়ননা মদুনা সোমালিয়াগী পিছকিপ্পিং মিসন্দা অকায়বা পীখি অমসুং ইথিওপিয়াগী মশীং য়াম্লবা ইথনিক গ্রুপশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎহনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা নবেম্বর ৪দগী হান্নগী গুরিলা মুভমেন্ট টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) কী মায়োক্তা মিলিটরি ওফেন্সিভ চৎখি। চহী ৩০ রোম নেসনল গভর্ণমেন্ট দোমিনেট তৌদুনা লাকখিবা হান্নগী গুরিলা মুভমেন্ট অসিবু প্রাইম মিনিষ্টর অবিনা ফেদরেল গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লান হৌবগী মরাল শীখি।

মীওই ৫০০,০০০ লৈবা হায়লেন্দ সিটি মেকেলে অবিগী ফেদরেল ফোর্সশিংনা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা ইরায় লায়না পায়শিনখি। মমৈথংদা টি পি এল এফকী মায়কৈদগী মখোয়গী ফোর্সনা প্লেন অমা কাপথবগা লোয়ননা টাউন অমসু হন্দোক্লে হায়না ক্লেম তৌখি।

হান্না রেদিও ওপরেটর অমা ওইরম্বা মশাগী চহী ৫৭শুরবা টি পি এল এফকী লিদর দেব্রেটসিওননা মহাক সাউথ সুদানদা চেনখ্রে হায়বা মীদিয়া রিপোর্টশিং য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ফোর্সশিংনা মেকেলেগী অৰাংলোমদা কিলোমিটর ৫০ রোম লাপ্পা লৈবা ৰুক্রোগা নক্লবা য়ূমথংনরিবা ইরিত্রিয়াগী শরুক্তগী ফেদরেল লান্মী খরা ফারে হায়না ক্লেম তৌখি।

অবিগী স্পোক্সপর্সন বিলেনে সেয়ুমনা দেব্রেটসিওনগী ৰাফম অদুবু রিজেক্ট তৌরদুনা ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী মরু ওইবা তৌফম থোকপা অমা ওইনা লৈঙাক্লি অমসুং ঈরাং লৈবা মফমশিং তংদু লৈতাহন্নবা হোৎনরি। মচোই মচোই তারবা ক্রিমিনেল খূৎপু অমগী অরানবা য়ূম্ফম য়াওদবা ক্লেমশিংদা ঐখোয়না পূক্নিং চঙদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# প্রোটেষ্ট তৌরিবা লৌমীশিং মতেং পাংনবা মেদিকেল কেম্প শেমখ্রে



চান্দিগর, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : সেন্টরগী ফার্ম লোশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা নেসনল কেপিটেলদা চঙশিন্নবা হোৎনরিবা লৌমীশিং মতেং পাংনবা দেল্লিগী হরিয়ানারোম থংবা সিংহু বোর্দরদা মেদিকেল কেম্প অমা লিংখৎখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী মীওই মিলিয়ন ৯.৪ হেন্না শোকহল্লবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী য়েংদুনা কেম্প অদু শেমখিবনি।

মফম অদুদা হকশেলগী প্রোটোকোলশিং ঙাক্লদবগী মওং লৈবদগী কেম্প অদুগী ভোলন্টিয়র ডোক্টরশিংনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা প্রোটেষ্ট তৌরিবা লৌমীশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন দিটেক্ট তৌনবগী টেষ্টশিং পাঙথোক্লবা তকশিনখ্রবনি।

ডোক্টরশিংদুনা ফোঙদোকখিবদা, লৌমী অয়াম্বনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লদবা অমসুং মাস্ক উপ্তুনা চৎনবনা মখোয়দা সেফটি গাইদলাইনশিং খঙহন্নবা হোৎনরি। ঐখোয়না কেম্প অসিদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট পাঙথোক্কদবনি। লায়না অসি চাউনা শন্দোরক্লিংঙাই ওইবা মীশক য়াওরম্লবদি খুদোংথিনীংঙাই ওইবা মওংদা মহাক্না লায়না অসি অতে মীওইশিংদা শন্দোরকপা য়াই। লৌমীশিংগী প্রোটেষ্ট খুদোংথিনীংঙাই ওইদুনা ইনফেক্সন পাক্তক্লনা শন্দোরকপা য়াই হায়না ডোক্টর অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

ডো. সরিকা ভর্মা কৌবা অতোপ্পা ডোক্টর অমনসু এজেন্সীদা ৰা ঙাঙলদুনা প্রোটেষ্টরশিংদা হীদাক-লাংথক, মাস্ক অমসুং অতে ফেসিলিটিশিং পীরি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙরাং মরুপ অমনা মফম অসিদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা খরা ফংহনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়রকপদগী ঙসি থবক তৌমিন্নবশিংগা লোয়ননা লাক্তুনা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমা শিন-লাংলিবনি। ঐখোয়না লৌমী প্রোটেষ্টরশিংদা হীদাক-লাংথক, মাস্ক অমসুং অতে মেদিকেল ফেসিলিটিশিং পীরি হায়না ডো. ভর্মানা ফোঙদোকখি।

দেল্লি পুলিসনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৌমীশিং ঈংনা চিক্লা লৈরি অমসুং পুলিস ওফিসলশিংনা মখোয়গা পাউ ফাওনরি হায়না পনখি। টিক্রি অমসুং সিংহু বোর্দরশিংদা চৎথোক চৎশিন খুদিংমক থিংলে হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।

# কেজ্রিৱালনা আর টি- পি সী আর টেষ্টকী মমল হন্থহন্নবা খঙহনখ্রে



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : দেল্লি গভর্ণমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থাদোরকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না নেসনল কেপিটেল অসিদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন টেষ্টকী প্রোসেস থুজিনহন্নবগীদমক্তা আর টি - পি সী আর (রিভর্স ট্রান্সক্রিপসন পোলিমরেসন চেইন রিএক্সন) টেষ্টকী মমল হন্থহল্লগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর আরভিন্দ কেজ্রিৱালনা ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টতা দেল্লিদা আর টি - পি সী আর টেষ্টকী রেটশিং হন্থহন্নবা খঙহনখ্রে। অদুম ওইনমক আম আদমি পার্টি (এ এ পি) গভর্ণমেন্টনা হৌজিক আর টি - পি সী আর টেষ্টশিংগী মমল কয়াম ওইগদগে হায়বদি লাউথোরক্ত্রি।

হৌজিক্কী ওইনদি দেল্লিদা আর টি - পি সী আর টেষ্ট অমা পাঙথোকপগী মমল লুপা ২,২০০ অমসুং লুপা ২,৪০০গী মরক্তা ওইরি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা মীয়াম্না কোভিদ টেষ্ট তৌবগী মমল হন্থহন্নবা তকশিনখি। কোর্টতা ৰাকৎলকখিবা মতুংদা দেল্লিগী সী এম কেজ্রিৱালনা ওর্দর অমা থোক্তুনা নেসনল কেপিটেল অসিদা আর টি - পি সী আর টেষ্টকী মমল হন্থহন্নবা খঙহনখিবনি।

কেজ্রিৱালনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা দিরেক্টিব অসি ইস্যু তৌরদুনা হায়খি, দেল্লিদা আর টি - পি সী আর টেষ্টকী রেটশিং হন্থনবা ঐহাক্না ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টতা ইন্সত্রক্সন পীখ্রে। গভর্ণমেন্ট ইষ্টাব্লিশমেন্ট খুদিংমক্তা আর টি - পি সী আর টেষ্টশিং ফ্রীদা পাঙথোক্লি। নোটিফিকেসন অসিনা প্রাইভেট লেবোরেটরিশিংদা টেষ্ট তৌরিবা মীওইশিং মতেং পাংলগনি। দেল্লি গভর্ণমেন্টকী ওর্দর অসিগী মতুংদা আর টি - পি সী আর টেষ্টকী মমল লুপা ১,০০০ রোম হন্থরকপা য়াই হায়না থাজনরি। দেল্লি সী এমগী ইন্সত্রক্সনশিং অদুগী মতুংইন্না দেল্লিগী হেল্থ মিনিষ্টর সত্যন্দর জেননা আর টি - পি সী আর টেষ্টকী রেটশিং হন্থহন্নবগী প্রপোজেল অদুগী মতাংদা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

সোর্ছশিংগী মতুংইন্না দেল্লি গভর্ণমেন্টনা আর টি - পি সী আর টেষ্টশিংগী অনৌবা রেটশিং নিংথৌকাবগী নুমিদাং ফাওবদা লাউথোক্লবা য়াই। দেল্লি গভর্ণমেন্টনা লেপ্পা আর টি - পি সী আর টেষ্টশিংগী অনৌবা রেটশিং দেল্লিগী প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অমসুং লেবোরেটরিশিংদা চৎনগনি। মসিগা লোয়ননা আর টি - পি সী আর টেষ্টশিং গভর্ণমেন্ট লেবোরেটরিশিং অমসুং হোস্পিটাল খুদিংমক্তা হান্নগুম লেম্না পাঙথোক্কনি।

# য়ু পিনা সুইসাইদ কেসতা চেন্নবা এস পি, কন্সটেবল ফানবগী শেলগী মনা লাউথোকখ্রে



মহোবা, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : ত্রেদর অমা সুইসাইদ তৌখিবগী কেস অমদা শাথীরবা খোঙথাং অদু লৌখৎহনখিবগী মরাল শীখ্রবা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রবা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস মনিলাল পাটিদার অমসুং মফম লৌথোকখ্রবা কন্সটেবল অরুন য়াদব ফানবগীদমক্তা উত্তর প্রদেশ পুলিসনা লুপা ২৫,০০০গী কেস রিৱার্দ লাউথোকখ্রে।

এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এলাহাবাদ জোন) প্রেম প্রকাশনা ফোঙদোকখিবদা, মখোয় ফানবগীদমক্তা পুলিসনা মখোয়গী লোৎফমশিং ওইরম্বা য়াবা মফমশিংদা রেদ কয়া চথুরি।

মশাগী চহী ৪৪ শুরবা প্রেসস ষ্টোন লল্লোনবা ইন্দ্রকুমার ত্রিপাথি হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৮দা মশাদা নোংমৈনা পানবগী মফমশিংগা লোয়ননা মহাক্কী কারদা শোক্লগা লৈরম্বা থেংনখি। মদুগী মমাঙদা মহাক্না মাহোবাগী এস পি মনিহার পটিদারবু শেঞ্জা থুমজা তৌই হায়না মরাল শীখি। মহাক সেপ্টেম্বর ১৩দা হোস্পিটালদা শিখি।

ত্রিপাথিগী মচিন-মনাওশিংনা এস পি পটিদারবু ভিক্তিম অদুদগী ৰানোমশেল ওইনা লুপা লাখ ৬ দিমান্দ তৌখি অমসুং করিগুম্বা শেনফম অদু পীদবা তারগনা মহাকপু হাৎকনি নৎত্রগা কেস অমদা চেন্নহনগনি হয়না কিহনবা লৈখি হায়না মরাল শীখি।

এস পিদা মরাল শীরিবা ৰাফমশিং অদুগী মতাংদা ত্রিপাথি সুইসাইদ তৌদুনা শিখিবনি হায়না মখোয়গী ৰারোল পীখি। মহাক্কী লাইসেন্স নোংমৈদগী কাপথোকখিবা মরূ অমা মঙকশমদা ফাওখি হায়না মতমদুদা পুলিসনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা এস পি পাটিদার খুদক্তা সস্পেন্দ তৌখি অমসুং মহাক্কী লন-থুমগী মতাংদা ভিজিলেন্স প্রোব অমা পাঙথোক্লবা ওর্দর তৌখি। মফম থদৎখ্রবা এস ঐচ ও দেভেন্দ্র সুক্লা নবেম্বর ২৫দা কেস অদুগা মরী লৈননা ফাখি। মহাক মীশি অদুগী মতুংদা কোয়চেন চেন্দুনা লৈরকখিবনি।

স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিমনা থিজিনবদা করপসন অমসুং সুইসাইদ তৌনবা ইথিল পীনবগী মরাল লৈরম্বগা লোয়ননা হৌখিবা থাদা মহাক থবক থদৎখি। সুক্লা ঝান্সি দিষ্ট্রিক্টকা নক্লবা মাহোবকান্থ পুলিস ষ্টেসনদগী ফাখি হায়না মহোবাগী এস পি অরুন কুমার শ্রিভাস্তাবানা ফোঙদোকখি।

# নাগালেন্দদা হুইগী শাদোং য়োনবা থিংবগী ওর্দর গুৱাহাটি হায়কোর্টনা ষ্টে তৌখ্রে



কোহিমা, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী) : নাগালেন্দদা লল্লোন্নবগীদমক্তা হুই পুশিনবা, ষ্টেট অসিগী কৈথেলশিংদা হুই অমসুং হুইগী শাদোংশিং য়োনবদা অথিংবা থমখিবা অদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা জুলাই ২দা লৌখিবা ৰারেপ গুৱাহাটি হায়কোর্টকী কোহিমা বেঞ্চনা ইন্টরিম ওর্দর অমা থোক্তুনা ষ্টে তৌখ্রে।

হায়কোর্ট অদুগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, নৈজেভোলি কোর্ট অমসুং অতৈ মীওই অনীনা ফাইল তৌখিবা রিট পিটিসন অমগা মরী লৈননা শগোলশেন নুমিৎকী অথেংবদা ইন্টরিম ষ্টে অদু ইস্যু তৌখিবনি। কোর্ট অসিনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৪দা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা প্লি অদুগী মায়োক্তা এফিদেভিট অমা ফাইল তৌনবগী খুদোংচাবা পীখি। তৌইগুম্বসুং ষ্টেট রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী পাউখুম পীরক্ত্রে হায়না গভর্ণমেন্ট এদভোকেটনা হায় কোর্টতা ফোঙদোকখি।

কোর্টনা ষ্টেট রেসপোন্দেন্টশিংদা (গভর্ণমেন্টতা) পাউখুম ওইবা য়াবা এফিদেভিট অমা ফাইল তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা কেস অদু কোর্টকী ৱিন্টর ভেকেসন মতুংদা মখা তানা পায়খৎনবা লিষ্ট তৌখি।

পিটিসনরশিংগী উকিলশিংনা মখোয়গী অর্গ্যুমেন্টতা হায়খি মদুদি, এগজিক্যুটিভ এক্সর্সাইজ অমনা সিটিজনশিংগী তঙাইফদবা রাইটশিং খোঙ্গাওনবা তারবদি এগজিক্যুটিভ কোর্ট ওর্দরশিংসু চৎনরিবা লো ইকায়খুম্নগদবনি। ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবা এগজিক্যুটিভ ওর্দরশিং লোনা য়াবা ওইগদবনি হায়না পিটিসনরশিংগী উকিলনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা জুলাইদা থোকখিবা য়েৎননীংঙাই ওইরবা ওর্দর অদু কেবিনেট মীফমদা য়ানখিবনি হায়না পল্লদুনা হায়খি মদুদি এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা ওইবনা অমসুং লেজিসলেটিভ সেঙ্কসন অমদি এপ্রুভেল য়াওদবনা ওর্দর অদু ইলিগেল ওই। পিটিসনরশিং অদু কোহিমা ম্যুনিসিপালিটিগী জুরিসদিক্সন মনুংদা হুইগী শাদোং পুশিনবা, লৈথোক লৈশিন তৌনবা অমসুং য়োনবা মীওইশিংনি। মখোয় কোহিমা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা লাইসেন্স পীরবা ঙাক্তনি।

নাগালেন্দগী চীফ সেক্রেটরি তেমজেন তোইনা হৌখিবা জুলাইদা ট্বিটর পোষ্ট অমগী খূত্থাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লল্লোন্নবগীদমক্তা হুই পুশিল্লকপা অমসুং হুই লল্লোনবগী থবকশিং, হুইগী কৈথেলশিং অমসুং অথোংবা অমদি থোংদবা য়াওনা হুইগী শাদোং য়োনবসু থিংনবা ৰারেপ লৌরে হায়খি।